# পিদ্রিৎ থোক্লবা চিন কাংজৈ
## মীয়াম্নদি হুমুক খারবনি

ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭তা নীংতম্লবা মতুং জন্যুৱারী ২৬, ১৯৫০দগী মপূং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইরকখ্রে হায়রিবা লৈবাকসিদা চৎনরক্লিবা দেমোক্রেসি (গনতন্ত্র) নি হায়রিবা লৈঙাক্লোনসিবু করম্বা মখলগী লৈঙাক্লোন ওইবজাৎনো? ঙরাং-নহান্তসু নীংতম নুমিৎ (ইন্দিপেন্দেন্স দে) গী থৌরমশিং লৈবাকসিগী মফম পূম্নমক্তা হরাও তয়াম্না পাঙথোক্লখি। ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দগী লৈবাকসিগী শরুক অমা ওইরকখ্রবা মণিপুরদসু পাঙথোকখি। মসি ওইরগদি লৈবাকসিনা নীংতম্বা ফংখিবা চহী ৮০ শুজিল্লক্লবা মতমসিদবু লৈবাকসিদা চৎনরক্লিবা লৈঙাক্লোনসিবু করিনো, করম্বা লৈঙাক্লোননো হায়দুনা হংবা চুমগদ্রা? হংলুবদা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী মীয়াম মরক্তা 'দেমোক্রেসি' গী মশক খঙদবা মীওইশিং লৈরি হায়রক্লোইদ্রা? লৈঙাক মখলসি করিনো অমসুং কমদৌবনো খঙদবা মীওইশিং মণিপুরদা লৈরি হায়রগদি ষ্টেটসিগী এসেমব্লিগী মীহুৎশিংনা করিদা য়ূম্ফম ওইরগা, করম্বা পাম্বৈনা পাদম লাক্লগা খন্দুনা লৈঙাক্লোইশিং ওইহল্লকখ্রিবনো, লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী মীহুৎশিংনা মতৌ করম্না খনখ্রিবনো হায়দুনা ওনশিল্লক্তুনা হংলক্লোইদ্রা হায়বনিদা!! অদুবু লৈবাকসিগী মফম অয়াম্বদা থোকপগুম্না পীক্লবা মণিপুরদসু পোলিটিকেল পার্টি অমগা অমগা, পোলিটিকেল লিদর মশেল, মরু ওইনা রুল্লিং অমসুং ওপোজিশনগী মরক্তা হেক্তা পিদ্রিৎ থোকপমখৈ চিন কাংজৈ তৌনবগী ফীভমসিবু দেমোক্রেসিনি হায়রিবা লৈঙাক্লোনসিগী মচৎলা, লৈঙাক্লোনসিগী মনুং-চন্না তৌফদ্রবা থবক্লা হায়দুনা হংদবা য়াদবগী তাঞ্জাদি মীয়াম্না মায়োক্নরক্লে। লৈবাকসিদা লৈঙাক্লোনসি চৎনরকপা কুইরবনিনা হায়রিবা থৌওংসি ওন্থোক্লা য়াম্না মরোল-মরোল লৈখ্রে। লোইনা কোৎথোক-চিংথোক্লুবদা ওন্থোক্লা য়াম্লনি। অদুবু লৈবাকসিদা হৌজিক ফোং-ফোং শানা রুল্লিং অমসুং ওপোজিশনগী মরক্তা হুন্নরবদি লৈতুম ৱাৎতে হায়বদৌনা চিন্দা-পৌদানরিবনা বিহারগী পাঙথোক্লগদবা এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা ষ্টেটতুদা চত্থরক্লিবা ভোটরশিংগী 'স্পেশল ইন্টেন্সিপ রিভিজন (এস আই আর), টেরেরিষ্ট অমসুং পাকিস্টানগী মথক্তা চত্থখিবা 'ওপরেশন সিন্দুর' গী মতাং য়াওনা অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা লৈবাকসিদা থমজিল্লকখিবা টারিফনচিংবশিং অসিনি। লৈবাকসিগী ওইনা উনবা য়াদবা হূই-হৌদোংগী ফীভমদৌনা তৌবা অতোপ্পা ৱাফম অমসুং ইস্যু অতৈসু লৈরি। হান্নদগীসু কাঙবু অনীসি ওনশিন-ওনশিন্দুনা অদুম্মক চিক্নরকই। হৌজিকসু চিক্নরি। মখা তানসু চিক্নরকখিগদবা মাল্লি।

লাপখ্রবা দেল্লীদা, মহারাষ্ট্র, বিহার অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীরনচিংবদা চিক্নবদৌনা শ্বাইদসু পোলিটিকেল পার্টি মশেল, পার্টিশিংগী থৌপুবা মশেল, লীদর মশেলগী মরক্তসু লেপ্তে, পোত্থা-পোত্থা চিক্নবদৌনা অদুম তৌদুনা লৈ। মসিদবু রুল্লিং অমসুং ওপোজিশন, পার্টি অমসুং লিদর মশেল হুন্ন-চৈনবসিবু দেমোক্রেসিগী তঙাইফদনা য়াওদবা য়াদ্রবা মরু ওইবা কায়াৎ নৎত্রগা শরুক অমরা হায়দুনা হংলক্লোইদবগী মরম লৈরিব্রা হায়বনি। লৈবাকসিনা নীংতম্বা ফংলবা মতুং মপূং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইরক্লে হায়দুনা লৈঙাক্লোনসি চৎনহল্লকপদগী মীয়াম্না লৌনরক্লিবা মশক্তি লৈঙাক্লোনসিগী মতুংইন্না মশীং য়াম্বা কাঙবুনা লৈঙাক শেমদুনা পায়বা, মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলকপা অমসুং পাঙথোরকপনি। থবকশিংদু এসেমব্লি নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা খন্নরকপদা দিবেট অমসুং দিস্কশন চত্থরকপদা ওপোজিশননা 'কন্সত্রক্টিভ রোল' লৌদুনা তরেৎ-তরা থোক্না খন্নমিন্নবনি হায়না লৌই। মীতৈ ৱাহৈদা হায়রগনা ওপোজিশননা লৈঙাক্তা 'হিনাও শাবা' নি হায়না লৌনরকপনি। লৈঙাক খূৎপায়নরিবা রুল্লিংগী মায়কৈদগীসু ওপোজিশননা পীরকপা সজেশনশিং লৌদুনা লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক পাঙথোকপা থবকশিং হেন্না মশক থোকহনবা অমসুং মচু তাহনবনি হায়না লৌনরকপনি। অদুবু লৈবাক মীয়ামগী ইস্যু ওইগেরা-ওইরোইরা নাকল অনী ওনশিন্নদুনা হেক্তা পিদ্রিৎ থোকপমখৈ অখাকপা লৈতনা চৈথনবগী থৌওংসিবু লৈবাকসিদা চৎনরিবা কন্সটিটুশননা নৎত্রগা দেমোক্রেসিগী অরাংফম ওইরিবা ইলেক্সন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না অয়াবা পীবদগী কবোক পোকপদৌনা মচিন পেনবা মখৈ চৈথনরক্লিব্রা হায়বনি। অদুগা শ্বাইদগী মরু ওইরিবনা লৈঙাক্লোনসিগী মতুংইন্না লিংলিবা পোলিটিকেল পার্টি, পার্টিশিংসিগী থৌপুবশিং অমসুং মীহুৎশিংসিনা তৌনরক্লিবা অৱাই-অখুমশিংসিবু মীয়াম্না তানীংলমগদ্রা, মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বশিং ওইরমগদ্রা হায়বনি। পীক্লবা মণিপুরগী ওইরবসু নৎত্রগা চাওখ্রবা লৈবাকসিগী ওইরবসু মরু ওইবা ইস্যু অমা মায়োক্লরকপদা রুল্লিং অমসুং ওপোজিশন খূৎশম্নরগা করি-কমদৌনা মায়োক্নদুনা থেংনগদগে, ৱারোইশিননা করম্না পুরক্কদগে হায়দুনা কোকচুংশিন্নগদবা নৎত্রা? য়াম্না মরু ওইরক্তুনা তঙাইফরক্তগনা 'ওল পোলিটিকেল পার্টি' গী মীফম ফাওবা পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনরক্লিবনি। অদুবু দেমোক্রেসিগী ফজখ্রবা মশকসিদা অমাংবা থোমজিন্দুনা তৈশিনবা মানবা থৌওংদা মশকসিবু মথক-মখা থোক ওন্থোক্লগা মচিন পেনবা মখৈ হুন্নরক্লিবসি মখোয়সিবু মীয়ামগী থবক তৌগদবা কাঙবুগী মীওইশিংনি হায়দুনা লৌফম থোক্তে হায়নীংই। অচুম্বসু অচুম্বনি। হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভমসিদবু অতাবা মীয়ামগী নাকোংদা শীংজা য়ৈবগুম থোকহল্লবা থৌওংসিবু চত্থফম থোক্লিব্রা? দেল্লী নৎত্রগা অতোপ্পা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা লৈবা পোলিটিকেল পার্টি, মসিগী মীওইশিংগীদি লাপ্পবনিনা মণিপুরগী মীয়াম্না খঙদ্রবসু মণিপুরগী শ্বাইদা লৈবশিংদি কনানা কনানো, মতৌ করম্না হৌরকখিবনো, হৌজিক্লা করি ওইরি হায়বনচিংবশিং শিৎ-নান্না খঙবনি। নখোয় পূম্নমক পীক্লবা লমদমসিগী লৈহাওদা চাউরকখিবনি। নখোয় নশেল য়াম্না তোয়না হুন্নরক্লবদি 'খোঙগনবা হূই চিক্কন্দে' হায়বা নখোয়গী অশেঙবা নশক্তো মীয়াম্না হেন্না ময়েক শেংনা খঙজখিনি। হৌজিক ওইরিবা ফীভমসি খঙবা নৎত্রো? খঙব্রা-খঙদব্রা? খঙলগদি ওনশিন্দুনা চিক্নরিবা নখোয়গী লেজিসলেটিভ পৱার লৈত্রে। কোন্না লৈহনবিরকখিগদ্রা হায়বদি খঙদে। হৌজিক্কীদি ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লিসি 'সস্পেন্দেদ এনিমেশন'দা থম্লক্লিবনি। নখোয়গী পৱার লৈত্রবসু অঙম্বশিংদা লানসিগী ৱারোইশিন অথুবা মতমদা পুরক্লবা, ফ্রী মুভমেন্ট য়াহন্নবা অমসুং আই দি পিশিং মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহন্নবা গৃ-গৃ তকশিনমিন্নৌ। তৌ য়াদ্রগনা নখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্নরগা করি তৌসিগে হায়বদু খন্নমিন্নৌ। অদুদি নত্তনা চিংথোক-চিংথোক্তুনা পাউমীশিংগী মমাঙদা 'তুলসি' মনা শারনু। নখোয় পূম্নমক কনানা কনানো হায়বসে মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙবনি। অউবা, অতাবা মীয়াম্না নখোয়বু হু তরেৎমুক খারবনি হায়বসিসু খঙজিনবা কান্নরক্কনি। লানসিগী মতাংদা পুমহিং-হিংলিঙৈসিদা চিক্নদুনা লৈরিদো নথৌ মশক খঙদবনি শোয়দনা হায়রক্কনি।

# মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৩২)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মালং মরাং খোংকাও থোইবা। লাইরেল মৈদিংঙু থোংনাং ময়াং চৈকনথোকপা। তুবী সনা মখুৎশু খুৎপায়নখিবদি। অসিনসু লোইবা লৈখিদে। মাইকৈ অৱাং লাইনা পাংবা লম। লীৎলি লমমরু ঈকৌ লমদম লমনুংশি। ঈথোইলোক ঈহাং লৈবাক। মপাও লমদম পুংলেল য়াইদা হুয়েল লালদা খৌশাবদি। লমলেল লীৎলি লমমরু ঈকৌ লমদম লমনুংশি। ঈচাই লমলেল লমনামুং ঈথোইরোক। ঈহাং লম ও। মিংকৌখিবদি করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। ●

# ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯕꯥ'
## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯳꯲)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ॥)

ꯃꯥꯂꯪ ꯃꯔꯥꯡ ꯈꯣꯡꯀꯥꯎ ꯊꯣꯏꯕ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯊꯣꯡꯅꯥꯡ ꯃꯌꯥꯡ ꯆꯩꯀꯟꯊꯣꯛꯄ॥ ꯇꯨꯕꯤ ꯁꯅꯥ ꯃꯈꯨꯠꯁꯨ ꯈꯨꯠꯄꯥꯏꯅꯈꯤꯕꯗꯤ॥ ꯑꯁꯤꯅꯁꯨ ꯂꯣꯏꯕ ꯂꯩꯈꯤꯗꯦ॥ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯑꯋꯥꯡ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯄꯥꯡꯕ ꯂꯝ॥ ꯂꯤꯠꯂꯤ ꯂꯝꯃꯔꯨ ꯏꯀꯧ ꯂꯝꯗꯝ ꯂꯝꯅꯨꯡꯁꯤ॥ ꯏꯊꯣꯏꯂꯣꯛ ꯏꯍꯥꯡ ꯂꯩꯕꯥꯛ॥ ꯃꯄꯥꯎ ꯂꯝꯗꯝ ꯄꯨꯡꯂꯦꯜ ꯌꯥꯏꯗ ꯍꯨꯏꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗ ꯈꯧꯁꯥꯕꯗꯤ॥ ꯂꯝꯂꯦꯜ ꯂꯤꯠꯂꯤ ꯂꯝꯃꯔꯨ ꯏꯀꯧ ꯂꯝꯗꯝ ꯂꯝꯅꯨꯡꯁꯤ॥ ꯏꯆꯥꯏ ꯂꯝꯂꯦꯜ ꯂꯝꯅꯥꯃꯨꯡ ꯏꯊꯣꯏꯔꯣꯛ॥ ꯏꯍꯥꯡ ꯂꯝ ꯑꯣ॥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯕꯗꯤ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ॥ ●

# শেঞ্জাও পায়বশিংগী শেন্দান লম্বীশিংনা কুকিশিংগী লানদগী হেন্না লুফম থোকপ্রা?



মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

মণিপুরদা হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা, কুকিশিংনা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংগী মথক্তা তারক্লিবা লাঞ্জাওসিদা থোইনা নাচুংবা পোক্লুদনা, মশাগী তানফম থোকপা শেন্দান লম্বেলশিং খক্তদা থোইদোক-হেন্দোক্লা মায় ওনশিন্দুনা লৈবা, মণিপুরগী শেঞ্জাও পায়বা ইচিন-ইনাওশিং মরক-মরক্তা তান চানরুরদি অদুম থেংনবসু য়াওরি। অসিগুম্বা শেঞ্জাও পায়বা ইচিন-ইনাওশিংসিনা খল্লিবসি, মণিপুরসি কুকিশিংনা দোমিনেট তৌশিনখিদুনা খায়বোক অমা হেন্না লৌশিনখ্রবসু নৎত্রগা মণিপুর হায়বা ইরমদমসিগী মিংসি ফাওবসু কুকিশিংনা হোংদোকখিদুনা মখোয়গী মরোলদা ওইনা নৌনা মিং থোনখ্রসু, মখোয়দি শেঞ্জাও পায়বা মীওই অমা ওইনবু লৈহৌরদি করিমতা হেক কায়বা লৈতে হায়রিব্রা, খনবদা লাম্বা ফংদে। মতাংসিদা তপ্তা জয়েন্তগী ঈশৈ ময়েক অমদা **"নোয়না-নোয়না নীংতম্বা তাল্লিঙৈ, হীংবগী হকপু থিরিঙৈ, অশোমদনা... লুচিংবনা... শোয়ররোই কংলৈপাক কায়খ্রনি, কংলৈপাক হায়বসিবু কায়খ্রবদি, নীংতম্বা তাল্লিবদু কান্নরিব্রো...?** তপ্তা জয়েন্তগী ঈশৈ ময়েকসিগা, হৌজিক্তা ইরমদম মণিপুরসিগী য়েলহৌমী মীতৈশিংদা ওনশিন্দুনা কুকি জো কাঙলূপ্না মৈ হৌবা মখৈ লান তাশিল্লক্লিঙৈ চৈরক, ইরমদম মণিপুরসি মচেৎ ওইনা ফক্তৎলগা অনৌবা কুকিলেন্দ হায়বা অমা শেম্লনি হায়বগী অকনবা দিমান্দ তৌশিল্লক্লিঙৈ তাঞ্জাসিদা, মণিপুরগী লৈকায়-লৈকায়দা লৈরিবা ইনাক-কৈরাক খুনবা, য়াইতোং-ফমদোংবা ইচিন-ইনাওশিং খরনা কুকিশিংগী লানগী মতাংদা ৱাখল মচেৎ অমা ফাওবা থাদনীংদবগুম, লৈথোক্তুনা লৈনবা য়াওনরিবসি কমদৌরিবনো? "... অশোমদনা নোংম-নোংমগী কুকিশিংগী থৌরম-থৌদা খুদিংমক্তা, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুকিশিংবু ফৈগাক ফৈনা ঙাকখৎতুনা থম্লগা, মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংগী মথক্তা লান তাহল্লকপা অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীথোক্লিংবদগী দিমান্দগী খোঙজংকনশিনহল্লকপা মাল্লক্লিঙৈ চৈরকসিদা, মণিপুরগী ইনাক খুনবা, শেঞ্জাও পায়বা ইচিন-ইনাওশিংসিনা, ইরন্নাইগী শেন্দান লম্বেল শোয়হনবা য়াদে, লৈঙাক্কী ঈরাংগী ৱাদি নোংমা শোয়দনা মরন্নাই লোইশিল্লক্কনি খন্দুনা লৈথোকপা হায়বসিবু চুন্লিব্রো"?

ইরমদমসিদা কুকিশিংগী লানগী ঈরাংনা ফনা কল্ল-ফাওদসু, ইরমদমসিগী শেঞ্জাও পায়বা খরনা শেলতনা লাইনীং ওইদুনা শেল তানশিনবতনা মরুনি খন্দুনা শেল তান্নবা হোৎনবদা নোংমতসু কুকিশিংগী লানগী মরমদা ৱাহৈ অমা ফাওবা হংবা শংলুদ্রবা ইচিন-ইনাওশিং লৈকায় অয়াম্বদা অদুম খরা-খরা য়াওনবগী ৱাফমশিং মীয়াম্নসু তানরম্বা য়াই। থৌদৌসি, নোং ঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবদগী হেন্দোক্তুনা অথেংবা অহিং ফাওবদা, পালি নাইনদুনা ইরমদম মণিপুরসি মচেৎ তাখিদনবা ঙাক-শেল্লিবা মশীং থিঙমদ্রবা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈ মীয়ামসিগী নাকোংদদি অসুক্কী মতিক তাবদা ৱাই চিন্নরমগনি। অসিগুম্বা ইরমদমসিগী ইনাক-কৈরাক খুনবা ইচিন-ইনাওশিং খরসিদি ইরমদমসিগী মশীং থিঙমদ্রবা মীচমশিং, খুল ঙাকচরিবা অমসুং ঙাক্লুবগীদমক চেঞ্জ-চোংজরিবা কাঙবুশিংসিগী ৱাখল্লোন্দগীদি, অসুক্কী মতিক থাপতোক্লা অমসুং থৈদোক্তুনা লৈবা কাঙবুশিংনি হায়না লৌবসু য়াই। ইরমদমসিগী লৈকায় অয়াম্বদা লৈনরিবা শেঞ্জাও পায়বা নৎত্রগা অচৌ-অশাংশিংগী ইমুংগী মীওই ওইরিবশিং অয়াম্বনা হন্দক থোক্লিবা কুকিশিংগী লানসিগী মতাংদা থৱায় য়াওবগী চাং অসুক্কী মতিক ৱাৎনবগুমসু মীয়াম্না উনরিবনি। হায়নীংলিবদি, ইরন্নাইগী পূক্কৈসু চোনসনু য়ূমগী চেঙফুসু পাথোকসনু, শেলনা মোম্পাক্তা ওইনসু হানসনু, হন্দক্কী কুকিশিংগী ঈরাংসিদা ইরমদম মণিপুরসিনবু মচেৎ তানা কায়খ্রবা, ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু কুকিশিংগী দিমান্দবু য়ানীংই হায়দুনা পীথোকখ্রবা, ঐখোয় ইনাক খুনবা, অচৌবা শেঞ্জাও পায়বা ফনা ওইদুনসু, ইরমদমসিদা কাঙ্খ্রদা লীন অমদি খোঙয়াদা তুম চঙবগুম, কয়াম কুইনা পূক্লিং ঈংনা অমসুং ইনীং তম্না হিংজবা ঙম্লুগনি? হৌজিক ওইরিবসি মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈ ঐখোয়সি ইরমদম মণিপুরসিগী লৈখাগী লম্বীশিংদা চীং ফাওদুনা চৎপা য়াদ্রিবনি। দিমাপুর ফাওবদং চৎপদা গুৱাহাটি ফাওবা এরোপ্লেন তোংলগা চৎত্রবদি চৎপা ঙমদ্রবনি। ইনক নক্লা, অয়ূক চাকচা মাঙদা য়ৌগে য়ারম্বা মণিপুরগী অশেংবা ইরমদম ওইজরিবা মোরে অমদি নুংথিল-নুমিদাংৱাইরমদা থুংবা ঙম্লম্বা জিরিবামনচিংবা মফমশিং, হৌজিক নীংশিংবগী মমি শামহল্লক্লিবনি। ঐখোয় ৱাখল খন্থমিন্নহৌবা চুমগনি।

হৌজিক্তা মণিপুরগী তম্পাক্তা শিৎলক্লিবা নুংশিৎসি মৈ পুবা নুংশিৎনি। মৈনবু চাকখ্রবদি করি চিত্থহৌখিগনি? থৱায় ফাওবসু য়াওখিগদৌরিবনি। য়াওসু য়াওনখ্রিবনি ময়াম অমগী। কুকিশিংনা হৌজিক চঙশিল্লক্লিবা মখোয়গী লমগী দিমান্দগী খোঙজংসি, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শৌগৎপা মাল্লি হায়নরিবসি তরাই-তরাইবা ৱাফমদি ওইরল্লোই। হৌজিক কুকি কাঙলূপ্না মণিপুরগী চুড়াচান্দপুরদগী হৌরগা কাংপোকপী ফাওবগী চাউরবা লম্বী অমা চীংয়াংদা, জর্মন রোদ নৎত্রগা টাইগর রোদ হায়না কৌদুনা কন্না শেমগৎলক্লি। ফীভমসিদা মণিপুরগী নাগা ইচিন-ইনাওশিংনা মখোয়গী লম ফাওদুনা লম্বী শেমজিল্লকই হায়দুনা য়ানীংদবা উৎতুনা থৌদৌদু থিংনবা হোৎনরি। লুশিল্লক্লিবদি, থৌদৌসিসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওরম্মী হায়বা ৱাফম নাগা ইচিন-ইনাওশিংনা ফোংনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। ৱাফমসিগা মরী লৈননা নাগা ইচিন-ইনাওশিংনা মণিপুরদা হৌজিক পাল্লিবা পি আর লৈঙাকসিগা ৱারী শানবদা, মণিপুরগী পি আর লৈঙাকসিনা ৱাফমসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্তা নোলেজ অমত্তা লৈতে, ৱাফমসি য়েংশিনখিগনি, করিগুম্বদা চুন্নমন্নবদি মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়রক্লগা হৌজিক্লা তূমিন্না লৈশিনখ্রি। তান চাদ্রবদি, হন্দক নৌনা কুকিশিংনা শেমগৎলকখ্রিবা চুড়াচান্দপুরদগী কাংপোকপী ফাওবগী চীংয়াংদা শেম্বা লম্বীদু, হৌজিক্তি তঙ্খায় হেন্নবু লোইশিল্লক্কন্নি খল্লি। কুকিশিংনা হন্দক মণিপুরদা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিংসি তোপ তোপ্পা নোম্নাশিং ঙাক্তনি। মখোয়গী ফীভমসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অপাম্বা য়াওরল্লোই হায়বসি তশেংনা থাজরক্ত্রে। কুকিশিংগী থৌদৌসিগী পাউ তারবসু মণিপুরগী তম্পাক্তা লৈরিবা য়েলহৌমী মীতৈ ঐখোয়না হৌজিক কনাদা করি হায়রুগনি? ফীভমসিদা, ঐখোয়দি শেল পায়রবনি, মণিপুরগী শেঞ্জাও পায়বশিংনি হায়দুনা লৈবীরিবা, কুকিশিংগী লানগী মরমদসু তূমিন্না লৈথোকপীরিবা, য়াইতোং-ফমদোংবা, শেল মতিক চানা পায়রবা য়েলহৌমী মীতৈ ইচিন-ইনাওশিংসিনা পক্লিংদা করি ৱাখলবু খনবীরিবা? মণিপুরগী য়েলহৌমী ঐখোয়গী তুংগী লম্বী পূম্নমক কুকিশিংনা নোংম-নোংমগী অসুম-অসুম ককশীল্লক্লবসিদা, ঐখোয় হৌজিক তূমিন্না লৈথোকপা য়ারিব্রা? খন্নমিন্নহৌবা চুমগনি।

কুকি জোশিংগী থৌরাংশিংসি ঐখোয়না মিৎনসু উরবা, নাকোংনসু তারবা ঙাক্তনি। অদুগা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মখোয়গী মীচঙদা ফৈগাক ফৈনা লেপ্পী হায়বসিসু ইমিৎমক্লা উরবগুম্বনি। ফীভমসিদা মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইরিবা ঐখোয়গী ফীভম ঐখোয় ইশানা ঙল্লিবা মখৈ চেকশিন্না শেন্নজহৌদ্রবদি, পন্দি পন্নীংদে অদুবু, মতম খরগী তুংদদি মণিপুরগী য়েলহৌমী ঐখোয়গী খোঙ্গুল নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা কনাগুম্বা খরগী থৌইনশিন্দগী কুকিশিংনা নমদুনা মুত্থৎলকপা য়াই। হৌজিক ঐখোয় তূমিন্নমক লৈথোকপদি শুকচুম্মক চুল্লোই। কুকি জো কাঙলূপ্না ঐখোয়বু তাহন-উহন্দনা কনাগা করি ৱারী শানবগে অমসুং করি খন্নবগে হায়বসি ঐখোয়না নোংমতা খঙলুদ্রবনি, তাসু তারুদ্রবনি। মখোয়না থবক ওইনা পাঙথোক্লক্লবা মতমদদা, ঐখোয়না কোন্না খঙজবনি। মণিপুরগী য়েলহৌমী ঐখোয়সি মমৈথংদদি য়েলহৌমীনি হায়বসি খক্তা ঙায়রক্কদৌরিব্রা? ৱাফমসি চিংনবা য়ারিবা ৱাফম্নি ঐখোয় কৈদৌহৌসিগে হায়বসি ঙাইহাক লৈতনা খন্নহৌবগী মথৌ হৌজিক য়াম্না তোয়না তারবনি। ●

# খোঙউপ নঙবু কৈদগীনো, কনানা নঙবু পুথোরকপনো? -২



শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল

ডা. লাইশ্রম ইমোবা

মালেমগী খোঙচৎ খজিক তপথরকপোই তৌই হায়না কনাননো অমনা হায়বা থেংনখি। পাউসে ওন্থোক-ওন্থোকপা ঙাক্তনি। শাশিন্নবা পাউ হায়বকাসু থোরক্লে হায়নৈ। অরানবা পাউ শন্দোক্লগা মীবু লাংতক্ল বা খোয়শাওনবা পোকহনবা হায়বসিমক্তি, থৌদোক ৱাথোক থোকফমদগী খোঙউপ হুরানগনি খল্লিবা কাঙবুদুগী কোক্তামক্কা চপ মান্নদ্রবসু শাগৈ তিন্নবগুম্বনি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মতমগী খোঙচৎ হায়বসিমদি, লেপ্তুবনিনা, তুংগী লম্বীনা সুম-সুম শাংগৎলক্লগা মাঙগী লম্বীনা সুম-সুম তেনশিল্লকপা হায়বসিমদি শুকলেপ লেপ্তুবা খোঙচৎ হায়বদু ওইরি। মতা চাদ্রিবসি, শিংবা ৱাৎপা মীওইপোকসিদি খঙদবগী খঙদবা ঙাক্তনি, খঙনীংবগী চাংদি পূন্সিনা তেনশিল্লক্লিখৈ হেনগৎলকপগুম তৌই। হৌজিক্তুদা মণিপুরী লোলগী শৈশক, "খঙদ খঙদ য়ৌগনি খাঙেনফম..." হায়বদু চুমখ্রেদকো খল্লকই।



হন্দক মফৎতা খঙনীংলকপনি, মালেমসিদা নৎত্রো, চহী চা কয়াগী পুৱারী লৈজরিবা লাইরৈপাকসিদা ওইরবসু খোঙ অনী, মীওইবগী খোঙ অনীসে অশোক-অপন্দগী ঙাকথোক্লববু ওইরবসু, ফজহন্নববু ওইরবসু য়োমশিন-কুপশিন্দুনা (তোল্লবনা খঙলকপদগী) শীজিন্নদুনা লৈরম্লবা খোঙকুপশিং অসি কনানবু শাবা হৌদোক্লম্বনো হায়বসি সুম খঙনীংলকই। অচৌবা এগজামদা করিদা হংলক্কদবা ৱাহংমক্তি নত্তে। খঙজিনবদা হকচাং নুংঙাইগদবা ৱাফম-মকসু নত্তে। তৌবতবু মচিন য়াওবা অঙাংশিংনা খূৎনাইবশিংগা মপাং ওইবনিনা হংগে য়াওনা খোঙউপ (খোঙকুপ) সিবু লমদমসিদা কনানা শাবা হৌদোকখিবনো হংলক্লবদি করি খুমদগে সিনি, খঙলমদ্রিবা।

খোঙয়োম লৈতেংবু হায়রবসু, খোঙতোপপু হায়গে হায়রসু, শম্না 'খোঙউপ' ৱাহৈসিমক্তি লমদমসিদৈ থোকখিবা ৱাহৈ ওইরমদৌমাল্লি। সিমকসু তাংদাংবা খঙদে। অদুম্নদি ওইরগা খোঙউপ, খুরুম, ফিনাৎ, শেন্দল ককাইনা মখল মখলবুদি লাইরৈপাকসিদা ঙসিসু উরি। মখল মখলদি ঐখোয় শ্বাইদসু য়াম্না উরে। মালেমদা চাওখৎলে হায়নরিবা লৈবাকশিংদদি খোঙউপ্তা শাবা ফেক্টরি, ইন্দষ্ট্রিককা য়াম্না লৈনরমাল্লে। শিনফমগী হায়গদ্রা, মতাং-মতমগী অকক্লনা, অখন্ননা শীজিন্নগদবা মখল-মখলগী খোঙউপ শাবদা মমিং চৎপা, মীনা পাম্নবা কয়াসু লৈরে। ইন্দিয়াগীসু মমিং চৎপা খোঙউপ শাবা ফেক্টরি নৎত্রগা শিনশঙ শীংথাবা য়াবা ফনা য়াম্না লৈরমাল্লে। মণিপুর, সনা লৈবাকসিদসু লৈরে। তৌবতবু করম্না কনানা কমদৌনা তেংবানবসিদা পুথোরকখিবনো হায়বসিমদি খঙজদ্রি।

নোংমা মী খ্বাইনা হায়নৈ, হংলিখৈ খুম্বা, খঙবদা মপান নাইদবা মফমনি হায়বা অমদা চংদুনা হংলুবনি। মা-মকসু খঙলমদ্রে। মানা অসুম্নদি হায়রি, মালেমদা মীওইবগীদমক মীনা ওইগেরা, লাইনা ওইগেরা খোঙউপ পুথোক্লবগী ৱাখল্লোন পুথোক্লম্বনি হায়বা তাংদাংবা অমা লৈতে, মীওইবনা মানা-মানা থোকপা মশাগী খুদোংচাগদবা শাফগদবা মওংদা শেম-শাজরগা শীজিন্নবা হৌরকখিবা জাৎনি। চহী লিশীং কয়া-কয়াগী মমাঙদগী মীওইবগী চাওখৎ-খোঙচৎতা, লম-লম, মফম-মফম অদুদা ফংবা মচাকশিংনা শেম শাজরগা পংশিদা শীজিন্নবা হৌরকখিবা ওইগনি। তশেংনা খোঙউপ পুথোক্লম্বা মায়চৌ-মায়নৌ, সাইন্টিষ্ট খূৎনাইবা মীবু ওইরো, লাইবু ওইরো তাংদাংবা মসিননি হায়বদি লৈত্রি, থেঙনদ্রি মহায়রে।

মীওইবা হায়বসিসু ওন্থোক্লা ঙকখ্রবা হায়বা তারে। মতমগী খোঙচৎ অসিদা ঙসিদি মীদগী নত্তনা ষণ, শগোলনচিংবগীসু খোঙতোপ হায়গদ্রা, খোঙনপপু হায়সিরা, খোঙউপমক্তি হায়বা পকচদবা শাদুনা শীজিন্নরক্লিসিনি। ঐখোয়' শ্বাইদসু মহৌশা মতম অমা ষণ গাড়ীনা পোৎলূম কন্না চিংনরিঙৈ মতমদুদনি, গাড়ী-ষণ হায়দনা লমদমসিগী য়েলহৌশানি হায়নবা ষণলাবা য়াম্না লোয়নরম্মী। ষম্পোৎ খোয়বা, ষণগাড়ী চিংবা, চু শুম্বা, থাউ শুম্বদা ষণ পাবোৎ-পাবোৎ (জুরা-জুরা) শীজিন্নবা থেংনখি। লম্বী ফরকপা, লম্বীদা নূঙ, কোয়লাস থারক্লবা মতুং লম্বীদা ফৌ, চরূ, ঈ-ৱা ইনচিংবা/হোনবা ষণগাড়ী চিংবা ষণ লাবশিংগী মখোঙগী শরূ শোক্তনবনি হায়দনা য়োৎনা শেম শাবা 'খুনাম' হায়বা অমা মখোঙ, খোঙপাক মথক্তা তোপশিন্নরম্মী। ষণ খুনাম থাবনি হায়বা মী খূৎহৈবা লৈরম্বা থেংনহৌই। লমজেল অমদি কাঙজৈ শান্নবদা শীজিন্নবা শগোলশিংদসু 'খুনাম' থানৈ। মসিসু করমকান্দে শীজিন্নবা হৌরক্লিবনো হায়বা মৈত্রবাকসিদা খঙদে। অদুম্নদি ওইরগা 'শগোলগী খুনাম' অসিমক্তি অখঙ-অহৈ, মাইবনি হায়নবশিং পাঞ্জিনচিংবনা মী খরদা মরম অমগীদমক পেস্ক্রাইব তৌরকই হায়বদগী 'শগোল খুনাম' থৌওইনা থিরকপা থেংনজখ্রে, য়োৎ মচেৎ অমনাকা মহুৎ হেক শিনবা য়াদবা ওইনা তৌই। মতিক-ময়াই য়াম্না লৈখ্রবা জাৎ ওইবতাই। অকুপ্পা মরোল অদুমসু খঙহৌদ্রে। ঐখোয়গী হায়দোক্লদবীগী কলচর অমসু লৈরিনে তৌরিসে।

শগোল, ষণলাবগী খোঙতোপ 'খুনাম' গী ৱাফমসিদৈ থৈদোরক্লগা মণিপুরী মীতৈ/মৈতৈশিংনা খোঙগী লৈতেং ওইনা, ঙাক্লৌ ওইনা হেক হেক শীজিন্নরিবশিংগী মনুংদা উনা শাবা খুরুম অসিসু অমনি। মসিদসু 'বলুর খুরুম' কৌই হায়বা মখল অমা উখিবা লৈ। অদু ঐখোয় শ্বায়দা তোংদুনা শীজিন্নবমক্তি উখিদ্রি। য়োনববুদি মহৌশা খ্বাইরম্বন্দগী নিপা কৈথেলদা য়োনবা থেংনখি। উগী খুরুমদুসু 'বলুর' নত্তবা, খোঙনম ফানবা শরুক হাপ্পা মখল অমসু লৈ। মদু তোংদুনা চৎপসি মখোল হৌই, তৌবতবু মহৌশা ইমুং মাঙ্গোলগী লৈমায় সিমেন্টনা ফ্লোরিং তৌদ্রিঙৈ মতমদা য়ূম্বুবীনা লৈমায় কায় হায়দনা হরাওনদে। ইপুবোক অমসু খুরুম তোংবা থেংনহৌই। তৌবতবু শীং চনবা ঈ ফানবদা তোংলবদি তুম্বৌদি থম্বু থমখিসিদা হৈবী তিঙ্খাংনফাওবা খোঙপাক্তা য়ুবা ঙম্বজাৎ নত্তেদা। ইমুং মাঙ্গোলদা ফিনাৎকুম তোংবতবু মতা চাদে, ইশৌ লাংনৈ হায়বগী ৱানি।

হৌজিক্তি উগী খুরুম উখিদ্রে। অদুবু মতম অমা খোঙউপ অৱাংবা তোংবা কন্না চৎনরিঙৈ মতমদনি। লৈকায়গী ইয়াম্বা পাখঙ লমচাশিংনা মখোয়গী খোঙউপকী খুগাদা থৌওইনা উগী খুগানা শারগা তোপশিন নপশিল্লগা তোংবা উখি। মদু খোঙউপ্তুগী কম্পনিনা শারকপা নত্তে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।